HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



ৱাঙ্গোইগী ইবোতোন মেমোরিএল একাদেমিগী কেম্পসতা পাঙথোকখিবা থৌরমদা মহৈশঙ অসিগী মহৈরোয়শিংদা ফ্যুচর বৃক্ষি টেক্নোলোজি (এফ বি টি) গী পোৎলমশিং য়েন্থোক্তুনা খুৎশিন্নখিবা


লৌশিং পূক্কে : কোলেস্টরোলগী চাং ৱাংখৎলক্লবদি... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ অনৌবা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমগী অশাদা ...
অপাম-নুংশি ৱাখলনা মালহৌনরক্লবদা অৱা... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ মাপনশুবা য়ুনিয়ন বডজেটসি শুরি-নোম্লিবা ...
বডজেট সেসন : রাহুল গান্ধীনা হান্নগী আর্মি চীফকী... ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ ইন্দিয়া টিম (বি) মণিপুরনা মণিপুর...


মোইরাং খুনৌ ঙানুলৈমা মনীং ৱিমেন দিভেলপমেন্ট এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেশনগী ৩১শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্লদুনা নুমিৎ হুম্নি চত্থগদবা নুপীশিংগী ওপন কেশ প্রাইজ দিষ্ট্রিক্ট লেভেল টগ ওফ ৱার হৌদোকখিবা



Vol. 49, Issue No. 296 | লৈবাকপোকপা, ফাইরেনগী ১৭নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, February 03, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### আই দি পিশিং হোংজিলহন্নবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সীগী ষ্টাফশিংনা পুলিসকা লোয়নননা

# লৈমখোং চীংমাঙদা য়ূম য়েংবা চঙলুবদা কুকি-জোশিংনা উতুপ-ৱাতুপ পায়দুনা তাল্লক্লে, নুঙনা থারকপদা ওফিশল ১ আই দি পি ১ শোক্লে

### লাঞ্জেল্লকপা মীতৈ আই দি পি ইমুং অনীগী য়ূম অনী কুকিশিংনা লৈশিল্লম্লে





কুকি-জোশিংনা নুঙনা থারকপদগী ওই থংবা পাম্বোমদা পানখিবা আই দি পি নুঙলেপ্পম রোজেন (ওই), মীতৈ আই দি পিশিং হোংজিলহন্নবা য়ূম য়েংলুবশিং কুকি-জোশিংনা উতুপ-ৱাতুপ পায়দুনা তাল্লকপদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সীগী ষ্টাফশিং ঙাক-শেন্নবা সেন্ত্রেল ফোর্স চঙশিনবা (য়েৎ)

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২৯দা পি আর লৈঙাক অসিগী অনীশুবা চীফ সেক্রেটরি ডা. পুনীট কুমার গোয়লনা মার্চ ৩১, ২০২৬ ফাওবগী মনুংদা আই দি পি ইমুং লিশীং ১০ হেনবগী মীওই লিশীং ৪০ হেনববু ময়ূমদা হঞ্জিলহন্নবা পান্দম থল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু ৱাফম অসিগী মতুংইন্না হোংজিলহনগদবা আই দি পিশিংগী য়ূমগী ফীভম য়েংশিনবা 'হাউস এসেসমেন্ট' তৌবা চঙলুবদা কুকি-জোশিংনা উতুপ-ৱাতুপ পায়দুনা তাল্লকপদা নত্তনা নুঙনা থোল্লকপদগী অশোক অপন য়াওরকপনা অনীশুবা চীফ সেক্রেটরিগী ৱাফম অসিসু অমুক হন্না খুদি থিগদৌরিব্রা হংনরক্লে।

আই দি পিশিংবু মশাগী ময়ূম-ময়ূমদা হঞ্জিলহনবগী মতাংদদি মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী তমথীরবা লানগী ৱারোইশিন পুরক্লবগী পান্দমদা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্লগা ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী চলাইরক্লিবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক অসিগী অহানবা চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা প্রসান্ত কুমার (পি কে) সিংহনা আই দি পিশিংবু দিসেম্বর, ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা মশাগী ময়ূমদা তাঙ্কক অহুম্লক্তা হঞ্জিলহল্লগনি হায়দুনা ফোঙদোকখ্রবসু মপূং ফানা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমখিদ্রবনি। মমিংতগী ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী লৈত্রাম ৱারোইচীংদা ইমুং খরগী আই দি পি ২৫৭ হোংজিলহনখি। অদুগা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর ওইগদবা মীওই মীখল পাঙথোক্তুনা খন্নবা সেন্ত্রেল ওবজার্ভর হাপখ্রে

### মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুলগী মতম লোইদ্রিঙৈগী মাঙওইননা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা লৈহল্লকপা য়াবগী থাজবা লৈরকপদগী এসেমব্লি মীফম পাঙথোরকপদা গভর্ণরনা পীগদবা এদ্রেশকী শেম শানবা লোয়শঙশিংদা খঙহনখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস) :**

বি জে পিগী সেন্ত্রেল লিদরশিং অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মরু ওইবা মিনিষ্টরশিংনা থা অসিগী ১২দা চহী অমা মপূং ফাদুনা লোইরগদবা মণিপুরগী প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাক্কী মহুত্তা অনৌবা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা শোয়দনা লৈহল্লগনি হায়বা ৱাফম মচিন্না থোক্লা কাংথোরক্ত্রবসু লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং অসিনা পি আরগী লৈঙাক্লোন অসিগী অরোইবা নুমিৎকী মাঙওইননা ষ্টেট অসিদা মীয়ামগী মীহুৎশিংগী লৈঙাক অমা শোয়দনা লৈহল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে।

বি জে পিগী নোর্থ-ইষ্টকী কোওর্দিনেটর সম্বিত পাত্রনা পার্টি অসিগী মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্টকী খূত্থাংদা পার্টি অসিগী এম এল এশিং দেল্লীদা লাক্লনবা খঙহল্লকপা অমসুং বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্তা চৎমিন্নরকখিবা এন দি এগী মপাংনি হায়বা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিং অমসুং এম এলএশিংসু লাক্লনবা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না ঙরাং ফাওবদা এম এল এ অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### প্রোটেক্ট চাইল্ডহুদ, ষ্টোপ চাইল্ড মেরিএজ

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস):** কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশননা ইন্টিগ্রেটেদ রুরেল মেনেজমেন্ট এসোসিএশন (আই আর এম এ) গা খূৎশম্নদুনা অঙাংশিংবু ঙাক শেল্লু অমসুং অঙাংশিংবু লুহোংবা থিংউ হায়বা পান্দমদা নুমিৎ ১৫নি চত্থগদবা মোবাইল ভেহিকল কেম্প্যেন অমা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অদুগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী কমপ্লেক্সতগী দি সীগী এ সীসু ওইরিবা এস দি ও (চন্ফাই) না ফ্লেগ ওফ তৌখ্রে।

### তেংনৌপলদগী খূৎশু-খূৎলায়শিং ফংলে, আই ঈ দি ১৮ পোকখায়হনখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ত্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা তেংনৌপল পি এসনা কোল্লিবা বোংমোল অমসুং এস এল জৌগমদগী মেগজিনগা কোন্নবা এ কে ৪৭ রাইফল ১, পিষ্টোল ২, সিঙ্গল বেরেল ২, মরূ ১১, এম্পটি কেস ৭, ৱায়রলেস সেট ৩, কম্বেট দ্রেসকী খোঙ্গ্রাও পিয়র ২, খোঙউপ পিয়র ২, আই ঈ দিগী ৱায়রশিং রিকোভর তৌবগা লোয়নননা আই ঈ দি ১৮না মী শোকহন্দনা পোকখায়হনখ্রে হায়রি।

### য়ু জি অনী ফারে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ত্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা লমশাং পি এসকী মনুং চনবা লম্বাল অৱাং লৈকায়দগী ৱাইখোম খেলেন (৫১) কৌবা আর পি এফ/পি এল এগী কাদর অমা মোবাইল ফোন অমা অমসুং আধার কার্দ অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী টেজপুর অৱাং লৈকায়দগী নাওরেম ননাও এলিয়জ ইনাও (৩৪) কৌবা কে ৱাই কে এলগী কাদর অমসু ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাক মখা লৈকায়দগী মোবাইল ফোন অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

### নুপামচা ১ মফম খঙখিদ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস):** লম্ফেল পি এসকী ও সীগী চেরোল অমদা মোইদাংপোক খুনৌ অৱাং লৈকায়দগী থাংজম বিনোয় (৫৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ ধনঞ্জয় ...মখা লমায় ৩ কলম ২



গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# মার্সেকনা মণিপুরগী ৱেটলেন্দ ৭১গী ঙমখৈশিং খঙদোকপা ঙম্লে : অরুন কুমার সিনহা

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্টকী য়ারলপাৎতা 'ৱেটলেন্দস এন্দ ত্রেদিশনেল নোলেজ : সিলেব্রেটিং কলচরেল হেরিটেজ' হায়বা পান্দমদা ঙসি পাঙথোকখিবা ষ্টেটকী থাক্কী ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দস দে ২০২৬তা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট, এনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ) অরুন কুমার সিনহানা মণিপুর রিমোট সেন্সিং এপ্লিকেশন সেন্টর (মার্সেক)না ৱেটলেন্দ ৭১গী ঙমখৈশিং খঙদোকপা ঙম্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।



থৌরম অসিদা মণিপুর ষ্টেট ৱেটলেন্দস ওথোরিটিগী টেক্নিকেল কম্মিটিগী চ্যেরপর্সন ডা. কে ঐচ শামুঙৌ, লৈঙাক্কী কম্মিস্নর ডা. সাইলেসকুমার চৌরাসিয়া, সেক্রেটরি (পি ঐচ ঈ দি/আই পি আর/টুরিজম) হুংয়ো ৱোরসাং, এনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ লোয়শঙগী দিরেক্টর ডা. টি ব্রজকুমারনা মথংশিংনা ইকায়খুম্নরবা মীথুংলেন অমসুং ময়ায় তাংবল লৌখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### মণিপুরদা শেনবা চহী ২০২৪-২৫ অমসুং ২০২৫-২৬তা দিজাষ্টর রেস্পোন্স অমসুং মিটিগেশন মিজরশিংগীদমক লুপা ক্রোর ৬২৯.৭১ পীরকখি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস):** য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সনা মণিপুরদা শেনবা চহী ২০২৪-২৫ অমসুং ২০২৫-২৬কী মনুংদা দিজাষ্টর রেস্পোন্স অমসুং মিটিগেশনগী থবক থৌরমশিংগীদমক ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফন্দ (এস দি আর এফ), স্কিম ফোর স্পেশল এসিষ্টেন্স টু ষ্টেট ফোর কেপিটেল ইনভেষ্টমেন্ট (সাসসি), ফ্লন্দ কন্ত্রোল অমসুং এন্টি ইরোজন ৱার্কস য়াওনা নেশনল লেন্দস্লাইদ রিস্ক মিটিগেশন প্রোগ্রাম কোনশিন্দুনা লুপা ক্রোর ৬২৯.৭১ পীখি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

ৱাফম অসি এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ঙসি লোক সভাদা মীয়ামগী অমসুং লন্নাইগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং, পূন্সি মহিং, এগ্রিকলচর, য়ূম অমদি মরু ওইবা থবকশিংদা অকাই-অতোই থোকহনখিবা য়াওনা হন্দক্তা মণিপুরদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাওনা অমাঙ-অতা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### 'সূ' গী মতেংনা নাগাগী এরিয়াদা পোপি পাম্বী থাদুনা য়েলহৌমীশিংদা অৱা চৈথেং পীরে : অসাং কসার

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস):**



লৈঙাক্না তৌনরক্লিবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন (সূ) গী মতেংনা চীংদা মরু ওইনা নাগাগী এরিয়াদা পোপি পাম্বী থাদুনা য়েলহৌমীশিংদা অৱা চৈথেং পীরে হায়বগা লোয়নননা মসিগী মথক্তা লম/খুল কয়া খোপচিন্দুনা লোগী ৱাংমদা চীং লম্বী শেল্লক্তুনা য়েলহৌমীশিংদসু চৈথেং পীরে হায়না ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম, মণিপুর (আই পি এফ এম) গী চীফ এদভাইজর অসাং কসারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ফোরম অসিনা ফুট হিলস নাগা কোওর্দিনেশন কম্মিটি (এফ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# রতন থিয়ামনা মণিপুরগীদমক শেমগৎ শাগৎনবা কয়া হোৎনবীরম্মী : আর কে নিমাই



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ৩০দগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর অমসুং নেশনল স্কুল ওফ দ্রামা (ন্যু দেল্লী) না শীন্দুনা চত্থরকখিবা ২৫রক শুবা ভারত রঙ্গ মহোৎসব ২০২৬ লোইশিনবগী থৌরম শামুশঙদা লৈবা লৈখিদ্রবা রতন থিয়ামগী কোরস রেপরটরিগী শ্রাইন প্লে হাউসতা পাঙথোকপদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী কম্মিস্নর ওইরম্বা আর কে নিমাইনা লৈখিদ্রবা তামো রতন থিয়ামনা মণিপুরগী শেমগৎ-শাগৎনবা থৌরাং থৌশিল কয়া পুথোকপীরম্মী হায়না শীংথাখ্রে।

মহাক্না হায়, ষ্টেট অসিগী ওইনা খেবা চীং শেমগৎনবা কম্মিটি অমা ফাওবা শেল্লমখি। মদুদা ঐজ্ঞা শ্যামসু য়াওই। মসি খক্তা নত্তনা য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর লীংখৎখিবগী মতাংদসু মহাক্কী থৌশিল য়াওখি। অদুবু থবক ওইনা ওন্থোরকপা মতমদদি অহলশিংনা পীখিবা ৱাখল্লোন অদুগী ওন্ন-তৈনবদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২


